থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# এক্স-গ্রেসিয়া-অচুম্বা ৱায়েনগী উশিন-পোৎলা?

এক্স গ্রেসিয়া হায়বা ৱাহৈ অসি মণিপুরদা য়াম্না তোয়না তানরবা ৱাহৈ অমা ওইরক্লে। লেতিন (আ মমাঙৈদা রোম অমসুং অকোয়বদা লৈরম্বা মীশিংনা ঙাঙনরম্বা) লোন, হৌজিক্তি ইংলিস ওইখ্রবা ৱাহৈ অসি ঙসিদি ঐখোয়গী লোল ওইনসু শীজিন্নবা হৌরক্লে। ৱাহৈ অমখক্না মহুৎ শিনবা য়াবা, চপ চাবা ৱাহন পীবা ঙম্বা ৱাহৈ থিবা খঙদদুনা তৌরিবনি। খ্বাইদগী নক্নবা ৱাহৈ থিবা তারবদি 'পীনিংবা পীবা শেনফম' হায়বা তাবনি। দিক্সনারিগী ইংলিস মিনিং- 'আউত ওফ গুদ ৱিল' হায়না হল্লি।

পীনিংবা পীবা হায়বসি কনানা কনাদা পীদৌরিবনো? করিগী পীদৌরিবনো? হায়বনচিংবা ৱাহং কয়া মথং মথং থোরকই। পীনিংবা পীবা হায়বসিদা নুংশিবা, চানবীবা হায়বা অমসু চঙলি, পীরিবা মীদুনা ফংদৌরিবা মীদুদা। পীদ'-য়াদে হায়বা আইনগী অইবা ৱারোলনচিংবসু অমত্তা লৈতে। তশেংবদি পীরিবা মীদুগী পূক্নিংবু পেনবীবা করিগুম্বা থবক অমা তৌরুবগীদমক পীবা তৌবীমল মখল অমনি। মরম অসিনা ইমপ্লোয়ী অমদা ইমপ্লোয়র অমনা পীবা এক্স-গ্রেসিয়া অসি 'পেমেন্ট ওফ বোনস এক্ট ১৯৬৫' গী মখাদা পী। পান্দমদি থবক শুরিবা মীশিং অদুগা খুৎশুমল পীগদৌরিবা মপু অদুগগী মরক্তা অফবা মরী (ইন্দষ্ট্রিয়ল রিলেসন) থম্নবগীদমক্নি। অদুনবু, পীগদৌরিবা এক্স-গ্রেসিয়া/ইন্সেনিটব অদু মহাক্না ফংলিবা থাগী খুৎশুমল অদুগী য়ামদ্রবদা চাদা ৮.৩৩, য়াম্লবদা চাদা ২০ দগী হেল্লোইদবনি হায়বা ৱাফম লৈরিবনি। করম্বা মওংদা, করম্বা তানফমদা এক্স-গ্রেসিয়া পীগদগে হায়বা অকক্নবা 'রুল ওফ লো' লৈতে। থবক শুবা/ইমপ্লোয়ী অমগী রাইট (হক)সু নত্তে। শিম্নী অদুনা শিনশঙ-মপুগী অপেনবা ফংবা থবক খরা শুবীবগীদমক পীবা অহেনবা খুৎশুমলনি। অদুসু শিনশঙ অদুগী শেন্দোং হেন্না ফংবা মতমদতা ওইগদবনি।

ঙসি থম্মোয় পাউদম'না এক্স-গ্রেসিয়াগী ৱাফমবু মরুওইবা পাউ অমা ওইনা করিগী তম্নিংলুরিবনো? শোয়দনা হংবীনিংলমগনি। মদু হান্না অমুক্তা শেংদোকচহৌগে। পাউ-চেশিংগী খুথাংদগী তাবা অমদি খঙলকপা অমা শোয়দনমক্কী ওইরমগনি- এক্স-গ্রেসিয়া। মরাল লৈতবা মী অমা মফম মরাং খঙদনা কনাগুম্বা অমনা/খরনা হাৎলম্লে, নৎত্রগা, খুৎলায় পায়বা সিফাইনা/লাম্নীনা হাৎলম্লে, লুপা লাখ ৫/১০/১৫ এক্স-গ্রেসিয়া ওইনা পীগদবনি, অদুগী মথক্তা শিরিবা মীদুগী ইমুং-




মনুংগী মীওই অমদা গভর্ণমেন্টকী থবক অমা পীগদবনি... হায়বসি 'মীহাৎতুগী মতাংদা শেন্বা জোইন্ট এক্সন কম্মিটি (জে এ সী) গী চীনফা পুরবা দিমান্দ'নি। শেনফম অদু পীরগা ঈরাং অদু হেক্তা লোইশিনখি। ঙরাং নহান্তা থোকখিবা ময়াং ইম্ফালদা মীওই অনী শিখিবা থৌদোক্তুগী মতুং তাবদা থোক্লকখিবা, লম্বী অমখক্না খনবা লৈকায় অনী উংখৎনরক্তুনা য়ুম মৈ থানখিবা, নোংমৈ কাপ্নরক্তুনা অশোক অপন য়াওনখিবা থৌদোক, কাঙলুপ নাইবা ঈরাং মানগে তৌরকপদুসু অশিবা অনীদুগী ইমুংদা এক্স-গ্রেসিয়া ওইনা লুপা লাখ মঙা মঙা পীরগনি লাউথোকখিবদগী তপ্না তপ্না ঈংথখি।

হৌজিক নৈননিংঙাই ওইরিবদি- মীশি মীনা তোয়রবা, অমনা অমবু পঙহাৎতা হাৎনরবা লমসিদা করম্বা মীশিবু লৈঙাক অসিনা এক্স-গ্রেসিয়া পীবা য়াবনো, করম্বনা য়াদবনো হায়বদু কেবীনেটনা ৱারেপ অমা লৌহৌবনা চুম্লবরা খল্লক্লে। ইমপ্লোয়র-ইমপ্লোয়ী অনীগী মরক্তা পীনরম্বা 'এক্স-গ্রেসিয়া পেমেন্ট' অসি লৈঙাক্না মীচমদা পীবগী থৌওং অসি মরম চাদনা শিবা মীশি অমদি মথোং মরম খঙদনা থোকপা মীশি মীনা অমদি কাঙলুপকী ঈরাংদা শিখিবা মীনচিংবদুসু পীবগী চৎনবী অমা হৌদোক্লকখি। কুমজা ১৯৮১ দা ফোঙখিবা ইন্দিয়াগী নেসনেল পুলিস কম্মিসনগী তরুকশুবা রিপোর্ট অদুদা পল্লি... 'মীয়ামগী পুন্সি ঙাক শেনবা হায়বসি পুলিসকী মথৌনি... মখোয়না ঙাক শেনবা ঙমহৌদদুনা থোকখিবা কাঙলুপ-নাইবা ঈরাং অমদি মীহাৎ মীপুন, মাঙখিবা লন-থুম, য়ুমকৈ অদুগী কম্পেন্সেসন (ক্ষতিপুরন) পীবা হায়বসি লৈঙাক অদুগী তৌফদ্রবা মথৌ অমনি...'। ইন্দিরা গান্ধী লৈখিদবা হাক্তক্তা দিল্লিদা থোকখিবা 'এন্টি-সিখ রাইওৎ' অদুদা লৈখিদবা সিখ ৩৩২৫ দা অমমমদা লুপা লাখ মঙা মঙা এক্স-গ্রেসিয়া ওইনা পীবদা ইন্দিয়া লৈঙাক্না লুপা ক্রোর ১৬৬ হেন্না খরচ তৌখি। শেনফম অসি পীরিবগী মরমদি, শিখ্রিবা মীশক নৎত্রগা থৌদোক অদুনা মরম ওইরগা ইমুং অদুনা হিংবদা ৱাগদবদুগী মতেং ওইনা পীবা তেংবাঙনি। ইমুং অমদা হুরানবা চঙলম্বা মীশক অমা নৎত্রগা খরা ফাদুনা ময়াম্না ফূবদা শিবদুদি ৱায়েনশঙদা ৱায়েন (ত্রায়ল) চথুগদবনি, 'এক্স-গ্রেসিয়া'না ওইহল্লোইদবনি। হুরানবা অশেংবশিংবু ফাদুনা চৈরাক পীবা ঙমদে/পীদে খল্লকপদুনা মীয়াম্না আইন খুৎতা পায়রকপনি। মদুসু আইন'না য়াদবনি। অদুবু শিখ্রবা মীশক অদু হুরানবা অশেংবা ওইরম্লবদি 'এক্স-গ্রেসিয়া' পীশিনখিবদু চুমগদ্রা? হুরানবা ওইরমদ্রগনা, হাৎলুরিবা মীশক্তু মীহাৎপগী চৈরাক ফংহনগদবনি। হৌজিক হৌজিকমক মৈ হৌনা শারিবা, জেনরেল ষ্ট্রাইক'নচিংবা তৌরিবা মীহাৎ অনীসিগীসু এক্স-গ্রেসিয়া পীরগা লোইশিনগদৌরিবরা? অৱাবা তারবা ইমুংশিংদুদা শেলগী মতেং পীবদুগী মায়োক্তা নত্তে ইজরিবা পাউদমসি। পুন্সি-মমল হোংলক্লবা লমসিদা, এক্স-গ্রেসিয়া হায়বা ৱাহৈসিনা 'লৈবাক্কী ৱায়েন' অমদি 'মথৌ তৌদবা পুলিস' অনীবু কুপশিন্দুনা থমখিনবা লৈঙাক্কী পান্থ্বৈ ওইরকপসিগী মায়োক্তনি।

লৌশিং পুক্কে

# হকচাং নুংঙাইতবনা ৱাখল নুংঙাইহন্দবনি

হকচাং নুংঙাইরক্তবদগী ৱাখল নুংঙাইহন্দবনি, ৱাখল নুংঙাইতবনা হকচাং নুংঙাইহন্দবা নত্তে হায়না রিছার্চরশিংনা ফোঙদোকখ্রে। ওষ্ট্রেলিয়াদা লৈবা ন্যু সাউথ ৱেল্‌স য়ুনিভর্সিটিগী বেট্টি লিয়ুনা হায়খি, মীওইবনা হকচাং নুংঙাইরক্তবা মতমদা পূক্নিং শোন্থরক্তুনা ৱাখল নুংঙাইরক্তে। ৱানা-নুংঙাইতনা লৈরগা হেক্তমক লায়না পোক্লক্কদবা নত্তে।

রিছার্চরশিংনা নুপী লাখ ১০ দা চহী ১০ চুপ্পা ষ্টদি চথুবদা ৱাফম অসি খঙলকপনি। 'লেন্সেট' জর্নেলদা ফোঙলকখিবা রিপোর্ট অমদা রিছার্চরশিংনা হায়খি, মশা-মউ ফত্তবা মীওইশিং অয়াম্বা মতমদা ৱাখল নুংঙাইতে। মসিনা মরম ওইরদুনা পূন্সি তেল্লি। অদুবু ৱাখল নুংঙাইতবনা পূন্সি তেলহনবমক্তি নত্তে।

ইচম চম্বা মীওইশিংগা য়েংনবদা মৈখু শীজিন্নবা মীওইশিং ৱাখল নুংঙাইগন্দে। মসিনা মরম ওইদুনা অৱাবা ৱাখল কাউথোক্লবগীদমক হৈনবী অশোমদা হেন্না হেন্না মায় ওনশিল্লি। অদুবু অরেঙ-অরেঙ পুৎথবগী মওংদা মৈখু শীজিন্নরিবমখৈ ৱাখল নুংঙাইতবগী চাংসু অসুম অসুম হেনগৎলকই। ৱাখল নুংঙাইত্রবনিনা পূন্সি মহিং শেমদোক্লবা হোৎনদে অমসুং হকচাং শাজেল তৌদে।

পুম্নমক অসিনা মরম ওইরগা হকচাং শোকচিল্লকই অমসুং



পূন্সি মহিংগা মরী লৈনবা লায়না পক্লকই। অদুবু মীওই অয়াম্বনা ৱাখল নুংঙাইতবদগী হকচাং নুংঙাইরক্তবনি হায়না অরানবা মওংদা হেক হেক থাজনৈ। তশেংবদি হকচাং নুংঙাইরক্তবদগী ৱাখল নুংঙাইহন্দবনি।

ষ্টদিদা শরুক য়াখিবা য়ুনিভর্সিটি ওফ ওক্সফোর্দকী প্রোফেসার রিচার্দ পেটোনা হায়খি, মশা ফৎতবা নুপীশিং অয়াম্বা মতমদা নুংঙাইবা ৱাখল খনবা ঙমদে। ৱাখল নুংঙাইত্রবনিনা হকশেলদা পূক্নিং চঙলক্তবা মরম্না লায়না কয়া পোক্লকই। অদুবু মীওই অয়াম্বনা হিরম অসিগী মতাংদা শেরান্ননা থাজনৈ। ৱাখল নুংঙাইতবদগী হকচাং শোকচিল্লক্তুনা পূন্সি তেলহনবনি হায়না মীওই অয়াম্বনা থাজৈ অদুবু হকচাং ফৎতবদগী ৱাখল নুংঙাইরক্তবনি হায়বা হন্দক্তা নৌনা থিজিনবদগী খঙলবনিনা মীপুম খুদিংমক হকচাং ফনবা হোৎনগদবনি হায়রি।

'লেন্সেট' জর্নেলদা ফোঙলকখিবা ষ্টদিগী রিপোর্টনা হায়খি, হকচাং ফরবদি অনা-অয়েক য়াওদ্রবনিনা ৱাখলসু অদুম্মক নুংঙাইরকই। মীওইবনা হকচাং নুংঙাইরক্তবা, শোন্থরকপা মতমদা নুংঙাইতবা ৱাখল খল্লকপনি।

অমরোমদা, য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী য়ুনিভর্সিটি ওফ এরিজোনানা পাঙথোকখিবা ষ্টদি অমগী রিপোর্টনা হায়খি, মদুদি পূক থন্না পীজদ্রবসু খজিক্তং পীজরবসু খুদোল অমা তন্বীরবদি মীওইবগী ৱাখল নুংঙাইহল্লি। শেল নৎত্রগা করিগুম্বা মখলগী খুদোংচাবা অমা ফংগনি হায়রবদি মীওইবনা খজিক্তং চারবসু ৱাখল নুংঙাইনা লৈবা ঙম্মী। পূক থন্না পীজবা খক্তনা মীওইবগী ৱাখল নুংঙাইহনবা নত্তে হায়না পল্লদুনা ষ্টদিদা শরুক য়াখিবা য়ুনিভর্সিটি ওফ এরিজোনাগী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসার মার্টিন রিমাননা হায়খি, কনাগুম্বা মীওই অমদা চাক খজিক্তং পীজরগা লুপা ১০০০ পীবা মতমদা পূক থন্না চাক পীজবদগী হেন্না ৱাখল নুংঙাইহনবা ঙমগনি।

হকচাং নুংঙাইতবা মতমদদি ফনা হাউবা এন্সাং পীজগনি হায়রবসু নৎত্রগা ফনা মমল য়াম্না খুদোল তমগনি হায়রবসু মীওইবগী ৱাখল নুংঙাইহনবা ঙমদে। অদুনদি ৱাখল নুংঙাইহন্নবগীদমক হকচাং নুংঙাইহনবা মথৌ তাই। হকচাংনবু নুংঙাইত্রবদি ৱাখলসু নুংঙাইরোই হায়না য়ুনিভর্সিটি ওফ ওক্সফোর্দকী প্রোফেসার রিচার্দ পেটোনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়খি, পূক্নিং-ৱাখল নুংঙাইহনবদা তোঙান-তোঙানবা মচাক কয়ামরুম চঙই। অদুবু অহানবা খোঙথাংদি হকচাং নুংঙাইহনবনি। মরম অদুনা মীপুম খুদিংমক হকচাং ফহন্নবা হোৎনগদবনি। ৱাং-চাউরবা, চুং-ফিরাল চাবা অমসুং হকচাংগী তোঙান তোঙানবা মফম মশল য়াম্না য়াওবদুখক্না হকচাং ফবা নত্তে। হকচাং ফবগী অশেংবা ৱাহন্থোক্তি অনা-অয়েক য়াওদনা হকচাং নুংঙাইবা লৈবদুনি। মরম অদুনা মীপুম খুদিংমক হকচাং ফনা থম্বা মতমদা ৱাখলসু নুংঙাইরক্তুনা পূন্সি নুংশাংগনি হায়না রিছার্চর-শিংনা ফোঙদোকখি।



# লৈঙাক্না ঈশিংগী অৱাবা কোকহন্নবা ৱাটর পোলিসি শেন্বা মথৌ তারি : লিয়াকট আলি



বিজয় লাইশ্রম

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৫ (ঐচ এন এস): মীওইবনা হিংবদা মরুওইনা ঈশিং অসি থাদোক্লবা য়াদ্রবা পোৎশকনি। ঈশিং য়াওদনা চাউখৎপা ঙমদে। ইরিগেসন, পাৱর, ত্রান্সপোর্টেসন অমদি ৱাটর সপ্লাই অসি শীজিন্নরি হায়না ৱাটর রিছোর্সেস দিপার্টমেন্টকী সুপরিন্টেন্দেন্ট এঞ্জিনিয়র খুগা প্রোজেক্ট সর্কল এম দি লিয়াকট আলিনা ফোঙদোকখ্রে।

পাউচে অসিগা উনবদা মহাক্না মখা তানা হায়, মণিপুর লৈঙাক্না লমদমসিদা ৱাটর পোলিসি অমা শেন্বা মথৌ তারি। মণিপুর রিভর অমদি বরাক রিভর সিষ্টেম অনী অসি য়াম্না মরুওইনা শেমগৎপা মথৌ তাই। হায়রিবা তুরেল অনী অসি নোংজু পান্থাগী মতমদা ঈমায় চোন্না চেল্লি অদুগা নিংথমথাগী মতমদনা ঈশিং ঈরি তৎনা চেল্লিবা অসি লৈঙাক্না ৱাটর পোলিসি অমগী মখাদা ৱাটর ষ্টোরেজ তৌবা তঙায়ফদে।

ঈশিং চাওরবা মতমদা তুরেল তোৰ্ব্বান নিংখায়দনবনি হায়দুনা রিটেনিং ৱাল চনবা অসিনা চাদা ১৫ দি কান্নবা ফঙগনি। মদুগী মহুত্তা চীংদগী তম্পাক লম তম্না চেন্থরক্লিবা ঈশিং অসি চীং অমদি তম্পাক্না লোন্নবা এরিয়াদা ৱাটর ষ্টোরেজ শেমগৎতুনা তুরেলদা ঈচেল তপ্না তাহন্নবা হোৎনবা য়াই। মতৌ করম্না ফ্লদ মেনেজমেন্ট প্লান পাঙথোক্কনি হায়বসি অখঙ অহৈ পুন্না তান্নরবা মতুংদা লৈঙাক্না থবক লৌখৎপা য়াম্না মরুওইরি।

তুরেলগী মপান অমদি খোঙনুংদা ইনক্রোচরশিং লৈরিবা অসি তকথোক্নবা লৈঙাক্কী পোলিসি প্রোগ্রাম লৈরবনি। ঈশিং চাওরক্লবা মতমদা তুরেল খোঙনুং অমদি লৈরায় মপানদা য়ুম তাশিনবা অসিনা মীয়ামদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নহল্লি। তুরেলগী ঈশিংসু ঈচেল নায়না চেল্লকপা মতমদা তুরেল খোঙনুংদা য়ুম তাশিনবা অসিনা অপনবা ওইরি।

রিভর মেনেজমেন্ট ট্রেনিং প্রোগ্রাম তৌবা অসি য়াম্না কান্নগনি। তুরেল খোঙনুংদা উ-ৱা হৌরিবশিং য়ান্থৎপা মথৌ তাই। মহৌশাগী খল কায়হন্দনবগীদমক তুরেল মনুংদা উ-ৱা থাজিনবগী মহুত্তা মফম চাবদা থাবিয়ু। মীওইবনা হেক লৈরিবমখৈ ঈশিং অসি য়োক্তুনা থম্নবা হোৎনগদবনি। মেঘলায়া ষ্টেটতা তুরেল অমখক লৈবা অদু মখোয়গী লৈঙাক্না নীংথিনা শেমগৎপগা লোয়ননা মৈ ফাওবা মরাঙ কায়না পুথোক্লি। মখোয়দগী অহেনবা মৈ ফাওবা মণিপুরনা লৌরগা শীজিন্নরি।

নোংজু পান্থাগী মতমদা ইম্ফাল তুরেলগী ঈমায় অসি ৱাংখৎলকপনা য়াম্না তোয়না তুরেল কায়বদগী মীয়াম্না অৱাবা মায়োক্নরিবা অসি কোক্নবগীদমক তুরেল অসিদা তারিবা কোংবা তুরেল, ইরিল তুরেল অমদি থৌবাল তুরেল অসিগী মনুংদা খ্বায়দগী ঈচেল কল্লিবসি ইরিল তুরেলনি। মরম অদুনা ইম্ফাল তুরেলদা লিলোং এরিয়াদা ইরিল তুরেলনা থৎচিল্লকপদগী য়াম্না তোয়না ঈশিং মৌখৎতুনা লিলোংদগীনা হৈঙাং ফাওবগী মরক্তা তুরেল লৈরায় কায়রিবা অসি কোক্লবগীদমক্তা উরুপ অরাপ্তিদা ইরিল তুরেল অসি কক্তুনা থৈরগা লিলোং চাওবোক মপাদা থৈদুনা পুরগা থৌবাল তুরেলদা তাহল্লগা থৈদোকপসু য়াই। মদু ওইরগদি য়াম্না তোয়না লৈরায় কায়রিবা অসি খরগীমখৈদি হন্থরক্কনি হায়খি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোরকপদা, চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্তকী মনুংদা লৈবা খুগা দামগী ইরিগেসনগী মওং অসি মীয়ামদা মপুং ফানা কান্নবা পীবা ঙমদ্রি। মসিগী ওইথোকপা য়াবা মরমদি মসিগী নাক য়েৎতা লৈরিবা কেন্নেল অসি চীংয়াদা ওইনা পুবা মরম্না নোংজু পান্থাগী মতমদা চীংদগী চেন্থরকপা লৈনাং অমদি চীংলৈবাক্না কেন্নেল অসি তোয়না ফুনবা অমদি নীংখায়বা কয়া তৌই। কেন্নেল অসিগী মেন্টেনেন্টস হায়বদি রিপ্যারিং য়াওদবনা মীয়াম্না দামগী ঈশিংদগী কান্নবা ফঙবা ঙমদবনি। অদুবু লৈঙাক অসিনা হৌজিক পাইপ লাইনদা ওইনা ঈশিং অসি পুরগা মীয়ামদা ইরিগেসন পীনবা হোৎনরি। মসিদা নত্তনা মফৌ দাম অমসুং দোলাইথাবী দামসু পাইপ লাইনদা ওইনা ইরিগেসন তৌনবা থৌরাং তৌরি হায়খি।

ঈশিংগী মতাংদা মাষ্টর প্লান অমা তৌবা য়াম্নমক মরুওই। থা অসিগী ৭ তা চীফ মিনিষ্টর য়াওনা ৱাটর মেনেজমেন্টকী মতাংদা রিভিয়ু মীটিং অমসু পাঙথোক্লগনি হায়রি।

# 'পুলিসনা হায়কোর্টকী ওর্দর ওনর তৌবীদ্রে'

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৫ (ঐচ এন এস): চহী ১১ দা ঙাইরিবী মাইনর ওইরিবা নুপীমচা অমবু নুপা অমনা নত্তবা থবক চথুরম্বগী মতাংদা পাউচে অমনা ইমুং-মনুংদগী পাউ লৌরগা ফোঙখিবা অদুগী মতাংদা মেদিকেল রিপোর্ট ভিক্তিমগী ইমুংদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী ৱুমেন পুলিসনা পীবীদ্রে হায়রি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা ঙসি পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা ৱুমেন এক্সন ফোর দিভলপমেন্ট (ৱাদ) না শীল্লগা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা এদভোকেট লাইময়ুম শিবানন্দনা ফোঙদোকখিবদা, থৌদোক অসিগা মান্ননা মমাংদসু কেস অমা লৈবদগী কুমজা ২০১৬ দা ৱাদনা হায়কোর্টকা পি আই এল অমা থারকপদগী হায় কোর্টকী জজ কোটেশ্বর অমদি নোবিনগী দব্বল বেঞ্চনা তাখিবা ওর্দর অমগী মতুংইন্না ভিক্তিমগী ইমুং-মনুংদা মেদিকেল রিপোর্ট অসি পুলিসনা পীগদবনি। তৌবতবু পুলিসনা পীগদৌরিবা রিপোর্ট অদু অতোপ্পা কনাগুম্বদদি পীথোকপা য়াদে হায়না খঙহনখি।

মরম অদুনা হায় কোর্টকী ওর্দর অসি লৈবনা পুলিসনা মেদিকেল ইগজামিন তৌবগী রিপোর্ট অদু পীথোকপা য়াদে হায়না ভিক্তিমগী ইমুংদা হায়রিবসি হায় কোর্টকী ওর্দরবু পুলিসনা ইকায়খুম্নদবনি। ভিক্তিমগী ইমুং-মনুংদা মেদিকেল রিপোর্ট পীবীদবা অসি পুলিসনা মেদিকেল রিপোর্ট অদু মেন্যুপেলেট তৌনবা হোৎনরবা হায়বগী চিংনদবা ঙমদে হায়রি।

# এক্সন লৌখৎফম থোকই : সুসিন্দ্রো

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৫ (ঐচ এন এস): খুরাই, ৱাঙ্খেং অমদি ক্ষেত্রিগাওগী মরুওইবা খোং অমা ওইরিবা প্রেমী খোং চনবা হৌরিবা অসি ক্বালিটি ৱাৎপা অমদি হান্না লৈরম্বা চাংদগী ফীট ৪/৫ ৱাংখৎনা চল্লিবা অসি তৌদনবা কয়ারক হায়রগসু তাদনা লৈরে। মসি এক্সন লৌখৎফম থোকই হায়না এম এল এ সুসিন্দ্রোনা ফোঙদোকখ্রে।

প্রেমী খোং চনবগী থবক চথুরিবা মফমশিংদা য়েংশিল্লবা মতুংদা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা, মরী লৈনবা এঞ্জিনীয়র অমদি কন্ট্রেক্টরগী মথক্তা এক্সন লৌখৎফম থোকই। খুরাই অসি ঈশিং ঈচাও তোয়না মায়োক্নবা এ সী ওইরি। মীয়াম্না ঈচাওগী অৱাবা মতম শাংনা মায়োক্নদুনা লাক্লি। প্রেমী খোং অসি সঙ্গেন্থোং মনাক্তা লৈবা ওফিসর কোলোনি, খুরাই কোন্সম লৈকায় অমদি ক্ষেত্রিগাও ফাওরগা কোংবা তুরেলদা তাগদবা খোংনি। দোনর মিনিষ্ট্রিগী মখাদা ৱর্ক প্রোগ্রাম হাপখিবনি। মিনিষ্ট্রিনা এপ্রুভ তৌদুনা সেঙ্কসন পীরকখিবনি।

মরী লৈনবা মিনিষ্টরনা অথুবা মতমদা মীৎয়েং চঙদুনা এঞ্জিনীয়র অমদি কন্ট্রেক্টরগী মথক্তা এক্সন লৌখৎফম থোকই। এস দি ও ওফিস মমাংদা, আই এফ সী দিগী মখাদা পায়খৎলিবা খোং চনবগী থবক অসিসু পেন্নিংঙাই ওইদে। মসি প্রোব্লেম কয়া থোকহন্নবগী মচাক ওই। মথংগী নোংজু থাদদি খুরাই ঈশিং ঈচাও মায়োক্লগদৌরি। খোং অসি ফক্লোং থারগা হৈদুনা ক্বালিটি য়াওদনা থবক পায়খৎলি। মসি মরী লৈনবা মিনিষ্টরনা য়েংশিনবীয়ু হায়নসু ফোঙদোকখি।




HL-P/2589/30,1-17Jan.

# ৱাদা য়ৈশিনবদা ট্রাফিক পুলিস অমা লৈখিদ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৫ (ঐচ এন এস): মণিপুর ট্রাফিক পুলিসতা লৈবা এস আই ওইনা থবক তৌবা নুপা অমা ঙসি অয়ুক পুং ১০.৩০ রোম তাবা মতমদা ময়ুমদগী হোন্দা এক্তিভা (এম ০এল /৯৫৪৭) অমা তোংলগা থবক কারকপদা লম্ফেল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা টিদ্দিম লম্বীগী মালোম এরিয়াদা লম্বীদা নুপামচা অনীনা ৱা পুদুনা চৎলম্বদগী মখোয়না ৱা অদু হায়দোরকপদা থেংজিনবদগী লায়বক্তা ৱা মচিন্না য়ৈবদগী লায়কন্নবা ঙমদনা লৈখিদ্রে। লৈখিদ্রবা নুপা অদুগী মীং সরাংথেম জিতেন (৬০) কৌই। মহাক মালোম তোকপম লমজংদা লৈবনি হায়রি।




HL-B/5019/23,25,27...




HL-P/5663/12/11-11/12(Alt.)